# সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন্না য়ানিংদ্রি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, আগষ্ট ৩১:*** কুকিশিংগী সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম-মণিপুর নাগালেন্দনা য়াম্না কন্না য়ানিংদে। নাগাশিংগী ওইনা লৈরিবা লম কুকিশিংদা পীথোক্তুনা কুকি দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা য়ুনিয়ন অসিনা খাংদুনা লৈথোকপা ঙম্লোই হায়রি।

জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা দিমান্দ তৌরিবা কম্যুনিটি গ্রুপ অসি ঙসিদগী চহি ১৬৫গী মমাং ১৮৪৫দা মণিপুরদা নিংথৌ নরনা পাল্লিঙৈ মতম বর্ম্মগী চিন হিলসকী ত্বেলপিদগী মণিপুরগী খা থংবা ঙমখৈ লান্দুনা চংলক্লগা তমেংলোং এরিয়াগী খা থংবা নোংপোক্তা লৈবা মোম্বীদা খুন্দাখিবশিংনি হায়না মরাল শিরক্লি। মমাংদসু কুকিশিংনা ভারতকী প্রসিদেন্টদা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট পীনবগী মতাংদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক জেলিয়াংরোং নাগা য়াওনা মণিপুরদা লৈরিবা নাগা গ্রুপশিংনা কুকিশিংগী সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দগী মায়োক্তা লৈ। দিমান্দ তৌরিবা লমখৈগী শরুক অসি নাগাশিংগী লম ওইরিবা তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলনচিংবা লমগী শরুকশিংদগীনি। কুকিগী দিমান্দ অসিনা মৈতৈশিংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা পীগনি। মণিপুরগী চীংগী লমদনা নাগাশিংনা ইকোই কোইনা খুন্দারগা তম্পাক্তনা মৈতৈশিংনা খুন্দাদুনা লাকই হায়বসি নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতম পাখংবনা নিংথৌ ফম্বাল তোংদ্রিঙৈগী মমাংদা ৩৩ এ দি দগী লৈরক্লবনি। কুকিশিং অসি নৌনা ম্যান্মারদগী হায়জিল্লক্তুনা খুন্দাশিল্লকখিবনি। মসিনা মতৌ করম্না সদর হিলস অসি মখোয়গী হোম দিষ্ট্রিক্ট নত্রগা হোমলেন্দ ওইনা ক্লেম তৌগদৌরিবনো হায়রি।